# অঙাংগী বাইবল
## খুদোল তাম্জারী

# অহান্বা
# ইস্টার (যীশু হিংগৎপা)



অইবা : Edward Hughes

লাই য়কিপবা : Janie Forest

চুনাহান্নিবা : Lyn Doerksen

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোকিপবা : Bible for Children
www.M1914.org

©2017 Bible for Children, Inc.
লাইসেন্স: পোত্চাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোকপা য়াই অদুবু য়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই।

নুপী অদু নিল-খোংবা চিং
অদুগী নাকন্দা
লেপলমই,
মহাক্কী অৱবা
মমিং অদুনা
য়েংহৈদ্রাবা
দৃশা অদুদা
য়েংখৎলমই।



মহাক্কী মচা নুপা অদু শিদৌগী তৌরমই। মমা অদু মেরি ওইরমই, অমসুং যীশুবু ক্রোসতা য়োত্পী থারিবাদুগী মনাক্তা লেপলমই।





মতৌ করম্না
মসি লোয়নামক
ওইরমলিবানো ?
যীশুগী
অসুক
ফজাবা
পুন্সি অসি
অসুক ৱানা করম্না
লোইসিলগাদৌরিবানো ?



মতৌ করম্না
ঈশ্বরনা
মহাক্কী মচা
নুপাবু
ক্রোস্টা
য়োত্পী
থরাগা
শিহনখিগাদৌরিবানো ?



যীশুনা মহাক
কনানো
ওইবাসিমক
অরান্বা
তৌখ্রাব্রা ?
ঈশ্বর
মাইথিরাব্রা ?



অসুম্না নত্তে!
ঈশ্বর মাইথিরমদে।
যীশুনা করিসু
অরান্না তৌখিদে।
যীশু মশানা
থংজরমই মহাক
ফওাবা মীনাশিংনা
হাত্কনি হাইবা।



যীশুনা অঙাং
ওইরিঙ্ঙদসু অহল
সিমেওন্না মেরিদা
হায়খি তুংদা
অব্রাবা কয়া
থেংনগানী
হায়না।



যীশু হাল্রীঙৈ
নুমিং খরানিগী
মমাংদসু নুপী
অমা লাক্লাগা
যীশুগী খোংদা মনম
নুংশিবা থাও তৈবিরমই।



মদুদা মহাক্কা
অরেম্বাদা চাদিং
তৌরিবানি হাইনা
সেবোকশিংনা ব্রাকৎলমই।

যীশুনা হাইরমই, “মহাক্না তৌরিবাসি অফাবা থবক্কি মদু মহাক্না ঐগী ফুম্বা নুমিৎকিদমক তৌরিবনি”। মহাক্কী পাওখুম অদু য়াম্না ঙক্ত্রা!



অদুগী মতুংদা, যীশুগী সেবোকশিংগী
মরক্তাগী, জুদাস্না
যীশুবু পুরোহিতশিংগী
মকোক্তুদা সিলভার
৩০ দা
য়োনঠোক্কে
হায়না
য়ারমই।





ইহুদিশিংগী পাসওভর উত্সবতা, যীশুনা মহাক্কী সেবকশিংগা অরোইবা চারা চামিন্নারমই।

মহাক্না মখোইদা ঈশ্বরগী মরমদা অমসুং মহাকপু নুংশিবিবাশিংগী ৱাশককি মরমদা য়াম্না মরুওইবা কয়া হাইবিরমই।



অদুগা যীশুনা তন অমসুং তেল্ঙ্গাংতু মখোয়দা য়েনলমই।





মদুশিংদু যীশুগী
ঈ অমসুং হকচাংনা
মীওইবাগী পাপ্পু ঙাকপী
হায়বা নিংশিংনানাবা
ওইরমই।

অদুদগীদি, যীশুনা মহাক্কী মরুপশিংদা হাইরমই মদুদি মহাকপু নম্থাক তৌবিরমগনি অদুগা মখোই লোইনা চেন্নখিনি
হায়না।



“ঐ করিসু চেল্লোই হায়না পিটরনা কন্না হিরমমি”। “য়েনবানা খোড্রিঙেঁ নহাক ঐবু অহুমলক শক থাংদে হায়গনী” হায়না যীশুনা হাইরমই।





অদুগী অহিং অদুদা, গেথসেমনে লৈকোন্দা ইশ্বরদা হাইজবা থোরকলমই। মহাক্কা লোইনাবা সেবকশিংং তুম্থারমই।



"ও ঐগী
ইপাইবুংঙো",
অসুম্না যীশু
প্রার্থনা তৌরমই,
"...মসিগী তেল্লঙ্গাং
অসি ঐঙোন্দাগী
লৌথোকপীয়ু।



অদুম ওইনমক ঐগী অনিংবা নত্তানা নহাক্কি অনিংবা ওইহন্নীয়ু”।

থংহৌদনা, জুদাসনা লমজিংলগা, মী শংগু অমা লৈকোন অদুদা চংলক্লমই। যীশুনা করিসু থিংলম্দে, অদুবু পিটরদি শাওবা হেন্মন্দুনা মী অমগী মনা কক্লমই।



যীশুনা নুপা অদুগী মনাদু তপ্পা
শোক্তুনা ফাহল্লমই। মহাকপু
ফাবা হায়বা অসি
ঈশ্বরগী অনিংবানি
হায়বা যীশু
মশানা
থংজারমই।



মী শংগু অদুনা যীশুবু পুরোহিতকি ময়ুম্দা পুরম্মি। মফম অদুদা ইহুদিগী লুচিংবাশিং অদুনা হাই যীশুদি শোয়দানা শিরাগানি হায়না।



মনাক অদুদা, পিটর মৈ তিল্লিবা মীনাইশিং অদুগী নকন্দা লেপ্পুনা য়েংলমই।




মীশিং অদুনা পিটরদা অহুল্লক
য়েংলকলমমই অমসুং হায়রম্মি,
“নঙসু যীশুগা
লোয়নারমবা
নত্রা!”

পিটরনা অহল্লক যীশুবু য়ারন্দে, যীশুনা হাইখিবাগুম্না। পিটর সিরাপ অমসুং ৱাশক্লাফাওবা।



কুকা-রূ-কু



অদুগী হেক মতুংদা, য়েনবা খোঙলক্লমই। মদু পিটরদা ঈশ্বরগী খোঙ্ঙল ওইনা তারম্মই।

# কুকা-ঋ-কু



যীশুগী ব্রাহৈশিংদু নিংশিংলম্মী, পিটর থামোই শোক্না কল্লমই।



অমরোম্দা জুদাসসু নুংঙাইতাবা ফাওরমই। যীশু করিসু লালদে অমসুং পাপ তৌদে হায়না মহাক খংলমই।



জুদাস্না সিল্ভর ৩০ দু হন্না পিবা চংলমই, অদুবু পুরোহিতশিংনা মদু লৌরম্দে।


জুদাস পৈশাশিংদু লংথোক্লম্লাগা, উ থৌরি য়ান্বা চৎলমই।


পুরোহিতশিংদুনা যীশুবু
রোমনগী গভর্নর পিলাতওা
পুরক্লমই। পিলাতনা
হাইরমই, “ঐ
মসিগী নুপাসিদা
মরাল করি
অমতা ফংলব্দে”।


অদুবু মীশিং
অদুনা খোঞ্জল
হেন্না হেন্না,
লাওখৎললমই, মবু
ক্রোস্তা হাৎলু –
ক্রোস্তা হাৎলু!

অদুবু মামৈদা
পিলাতনা যীশুবু ক্রোস্তা
হাংনানাবা য়াথং তৌরমই।
সিফাইশিংদুনা যীশুবু কিন্না
থিল্লমই, মামায়দা তিন
সিংচিল্লমই, অমসুং
ইনথুদুনা থিনা
ফুবিরমই।



অদুগা মখোয়না থৌরবা তিংখংগী লুহুপ শেমলগা মহাক্কী মকোক্তা কন্না উপছিলবিরমই। অদুগী মতুংদা মখোয়না মহাকপু উগী ক্রোস্তা য়োংপি থাজিল্লমই।



যীশু মহাক অসুম্না শিগনি হায়বা হান্নাদাগী অদুম খংলমই। অদুগা মহাক্কী শিবদা থজাবা মী মখৈগী পাপ কোকপিগানি হায়বাসু হান্নাদাগী খংলমই।



হুরান্বা অনিসু যীশুগী নকন্দা অদু
নুমিত্তুদা ক্রোস্তা পাং তিংলম্মই। অনিদুগী
মনুংদা অমদি যীশুদা
থজারম্মি অদুগা
স্বর্গদা চতলম্মই।
অমদুদী
থজারমদে।



পুং অমমুক ৱানা খাংলাবা
মতুংদা যীশুনা হাই,
“মসি লোইরে”,
হিরাগা মহাক
শিরম্মী।



মহাক্কী মরুপশিংনা
মহাক্কী অশিবা
হকচাংদু লানায়
মোংফম অমদা
ফূমলমই।





অদুগী মতুংদা রোমনগী সিফাইশিংনা মোংফম অদু ফজানা খুমজিলম্মি অমসুং চেকশিন্না ঙাক-সেল্লম্মি।

মফম অদুদা কনা
অমতা চঙবা
নত্রগা থোকখিবা
ঙমলমদে।



মসিনা ৱারিসিগী অরোইবা ওইরম্লবদি,কয়াদা অৱাবা ওইরমগনি।



অদুবু ঈশ্বরনা অঙকপা
থবক অমা তৌরমই।
শিবাদুনা যীশুগী
অরোইবা
ওইরন্দে!





সহপ্তাগী অহান্বা নুমিৎকি
অঙনবা অয়ুক অদুদা,
যীশুগী সেবক
খরানা যীশুগী
মোংফম
খুমজিন্বা নুং
অদু
হাংদোক্কুনা
লৈবা থেংনারম্মী।

মখোইনা মনুংদা য়েংবা মতমদা, যীশুসু মোংফম মনুংদা লৈরন্দে।



মোংফম মনাক্তুদা নুপী অমা, কপ্লগা লৈরমই। যীশুনা মহাক মশাবু নুপীদুদা উইল্লমমি!



মদু উবদা মহাক হারাওনা যীশুগী সেবকশিংদা পাও তম্বা চেল্লমই। “যীশু হিংলে! যীশু শিবদাগী হিংগৎখ্রে!”





যীশু সেবকশিংগী মনাক্তা লাক্লমই,
অমসুং য়োৎপি থাখিবগী খুৎকি
দাকফমশিংদু মখোইদা উহল্লমই।
মদু অচুম্বা ওইরমই। যীশু
অমুক হিংলম্মী!

পিতরনা মহাকপু য়াজদবাদুসু মহাক্না ঙাকপিরম্মি, অমসুং মহাক্কী সেবকশিংদা মহাক্কী মরমদা মী খুদিংদা হাইদোকউ হায়না হায়রম্মি। অদুগী মতুংদা মহাক অহান্বা খ্রীষ্টমাসকিদমক লাকপা মফম স্বর্গ অদুদা অমুক হন্না চংখি।

# অহান্বা ইস্টার (যীশু হিংগৎপা)

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মাথী ২৬-২৮, লুক ২২-২৪,
যোহন ১৩-২১

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।”
লাইশোল ঈ শে ১১৯:১৩০

# লোইজারে

অসিগী বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং অদোম্না খংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতথি! নহাক্না যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোকপীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্না সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুক্নিংদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্না নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজে, নহাক্না তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিং খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬